# বোকো হারামগী এটেকশিংদা এপ্রিল থাদগী মীওই ৪০০ রোম শিখ্রে

লাগোস, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী) :
নাইজিরিয়া অমসুং কেমরুনদা বোকো হারামগী ইস্লামিষ্টশিংনা এটেক তৌবা হেনগৎখিবগা লোয়ননা হৌখিবা এপ্রিলদগী হৌজিক ফাওবদা মীওই ৪০০ লোমগী পুন্সি লোমখ্রে হায়না এম্নেষ্টিনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

সুইসাইদ বোমরশিং শীজিন্নবা হেনগৎলকপনা লৈবাক অনীদুদা য়ামদ্রবদা মীচম ৩৮১ শিহনখ্রে হায়না রাইটস গ্রুপ অদুগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি। ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুংইন্না, ইস্লামিক লালহৌবা গ্রুপ অদুনা নহা ওইরিবা নুপীশিং অমসুং চহী নৌরিবা নুপীমচাশিংবু নমদুনা বোম পুহল্লগা মী চিনবা মফমশিংদা পোকখায়হনখিবগী থৌদোক তোয়না থোকখি।

বোকো হারামনা অমুকসু ৱার ক্রাইমশিং চাউনা চৎথরি। মখোয়না চহী নৌরিবা নুপীমচাশিংবু নমদুনা বোমশিং পুহল্লি অমসুং ঙল্লিমখৈ মী য়াম্না হাৎহল্লি হায়না এম্নেষ্টি ইন্টরনেশ্নেলগী ৱেষ্ট অমসুং সেন্ট্রেল এসিয়াগী ডিরেক্টর অলিয়ৌনে টিনেনা ফোঙদোকখি।

সুইসাইদ বোমিংশিং খংহেন-হেনগৎলকপগী মওং উবা তুজুংনিঙাই ওইরবা বোকো হারামগী হাৎপ-তুপ্পগী থৌদৌশিংনা মীচম মিলিয়ন কয়া খুদক্তা ঙাকপী-শেনবীবা অমসুং মতেং পাংবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়বসি উৎলি। নাইজিরিয়া অমসুং কেমরুন লোয়ননা অতৈ কয়াগী গভর্নমেন্টশিংনা অকি-তুজুংগী কেম্পেইন অসিদগী মীচমশিংবু ঙাক-শেন্নবা অথুবা খোঙথাং পায়খৎকদবনি।



এম্নেষ্টিনা হায়খি মদুদি, এপ্রিল থাদগী নাইজিরিয়াদা য়ামদ্রবদা মীচম ২২৩ হাৎখ্রে। থাঙ্গৈশেংবদি মশিং অসিদগী হেল্লন্বা য়াই। হৌখিবা মে অমসুং ওগষ্ট থাগী মরক্তা হাৎখিবা মীচমশিংগী মশিং মমাঙগী থা মরিদা হাৎখিবা মশিংদুদগী শরুক তরেৎ হেনখি। ওগষ্ট থা খক্তদা মীচম ১০০ হাৎখি হায়না এম্নেষ্টিনা হায়খি।


মুস্লিমশিং লৈবা নাইজিরিয়াগী অৱাং থংবা শরুক্তা হার্দলাইন ইস্লামিক ষ্টেট অমা লিংনবা হোৎনরদুনা বোকো হারামনা লাল হৌরিবনি। কুমজা ২০০৯ দগী হৌখিবা লালহৌবগী ঈরাং অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ২০,০০০ শিখ্রে অমসুং মীওই মিলিয়ন ২.৬ হেন্না ময়ূম-মকৈ থাদোক্লখ্রে।

লাল অদুনা ফামগী লম কয়া মাঙহন-তাকহন্দুনা লৌমীশিং চহী কয়া লৌউ-শিংউ অমসুং মহৈ-মরোং থাবা ঙমখিদবগা লোয়ননা মীওই মিলিয়ন মঙা হেন্না চাবা ফংদদুনা লৈরি। য়ূম্লোন্নবা কেমরুনদা বোকো হারামগী এটেকশিংদা হৌখিবা এপ্রিলদগী হৌজিক ফাওবদা য়ামদ্রবদা মীচম ১৫৮ শিখ্রে। মশিং অসি মমাঙগী থা মঙাদগী শরুক মঙা হেল্লবনি হায়না এম্নেষ্টিনা হায়খি।

হন্দক মীশি-মীনাশিংগী মশিং হেনগৎলক্লিবসি সুইসাইদ এটেকশিং হেল্লকপদগীনি। এপ্রিল থা হৌবদগী সুইসাইদ এটেক ৩০ পাঙথোকখ্রে। মদু চয়োল অমগী মনুংদা সুইসাইদ এটেক অমদগী হেল্লি হায়না এম্নেষ্টিনা মখা তাখি।

# হরিকেন ইর্মাগী শেম-শাবা ওইনা পুৱর্টো রিকো অমসুং ফ্লোরিদাদা ইমরজেন্সি লাউথোকখ্রে

সান জুআন, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী) :
হরিকেন ইর্মানা করিবিন অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী খা থংবা লমদম তম্না শিৎলকখিবগা লোয়ননা শেল-থুমগী অৱাবা মায়োক্নরিবা পুৱর্টো রিকোগী গভর্নমেন্টনা নোংলৈ নুংশিৎ লাকপগী শেম-শাবা ওইনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইমরজেন্সি লাউথোকখ্রে অমসুং নেশ্নেল গার্দ মীকুপ-নাহুম শিংনা লৈহনখ্রে।



মতিক ময়ায় লৈরবা কেটিগরি ৪ গী নোংলৈ নুংশিৎ অমা ওইরিবা হরিকেন ইর্মা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা করিবিন অমসুং সাউদর্ন য়ুনাইটেদ ষ্টেটস তম্না শিৎচিল্লকখি। কল্লবা নোংলৈ নুংশিৎ অসিগী লম্বীদা লৈরিবা ঈথৎশিং কিনিঙাই ওইরবা নুংশিৎশিং অমসুং ঈচাউগীদমক্তা শেম-শানখি।

লীৱার্দ ঈথৎশিং, বৃটিশ অমসুং য়ু এসকী ভির্জিন ঈথৎশিং অমসুং পুৱর্টো রিকো য়াওনা ৱেষ্ট ইন্দিজগী পরিংদা লৈরিবা ঈথৎ মচাশিংদা পূৎদা মাইল ১৪০ (কিলোমিটর ২২০) য়ৌনা কনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমগীদমক্তা শেম-শাবা ওইনা হরিকেন লাকপগী ৱার্নিংশিং লাউথোকখ্রে অমসুং মীকুপ-নাহুম শিংনা লৈনখ্রে হায়না য়ু এসকী নেশ্নেল হরিকেন সেন্টর (এন ঐচ সী) না ফোঙদোকখি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা নেশ্নেল ৱেদর সর্ভিসকী এদভাইজরি অমনা হায়খি মদুদি, "লৈবাকপোকপগী অথেংবা ফাওবগী মনুংদা হরিকেন লাকপগী ৱার্নিং লৈবা এরিয়াদা ট্রোপিকেল নোংলৈ নুংশিৎকী শাফু চেনবা নুংশিৎশিং থুংগদৌরিবদুগী য়েংদুনা শেম-শাবগী থবক খূদিংমক থুনা লোইশিনগদবনি।"

মাইয়ামিদা বেজ ওইবা হরিকেন সেন্টরগী মতুং ইন্না, ষ্টেপ মঙাগী সফির-সিমসন স্কেলদা কেটিগরি ৪ গী হরিকেন অমা হায়বসি মাঙহন-তাকহনবা কয়া লোয়নবা পূৎদা মাইল ১৩০ দগী ১৫৬ (কিলোমিটর ২০৯-২৫১) গী খোঙজেল ওইবা শাথীরবা নোংলৈ নুংশিৎ অমা হায়বগা মান্নে। অসিগুম্বা কেটিগরি ৪ গী হরিকেন অমনা থোকহনবা য়াবা মাঙহন-তাকহনবগী থৌদৌশিংদা উ পাম্বী কয়া মরূ ফুকপা, পাৱর লাইনশিং থদৎপা, ঈশিং অমসুং ইলেক্ট্রিসিটি সপ্লাইশিং লেপহনবা অমসুং তম্বা ঙমদবা চাংদা য়ূম-কৈ কয়া মাঙহন-তাকহন্দুনা মী লৈবদা খুদোং চারোইদবা ফিভম অমা লাকহনগনি।

শাথীরবা নোংলৈ নুংশিৎ অমগী শেম-শাবা ওইনা শেন-থুমগী খুদোংচাদবা ফিভম মায়োক্নরিবা পুৱর্টো রিকোনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইমরজেন্সি লাউথোকখিবগা লোয়ননা নেশ্নেল গার্দপুসু মীকুপ-নাহুম শিংনা লৈহনখ্রে।

মীওই মিলিয়ন ৩.৪ লৈবা য়ু এসকী ঈথৎ লম অদুদা হৌজিক মীওই ৬২,১০০ ফাওবা লৈবা য়াগদবা ইমরজেন্সি সেন্টর ৪৫৬ লৈরে হায়রি। পুৱর্টো রিকোদা মীয়াম্না শাথীরবা নোংলৈ নুংশিৎ লাকপগী শেম-শাবদা খুদোংচানবগীদমক্তা চীঙ্গাক অমসুং ঈশিং, হিদাক-লাংথক, পাৱর জেনেরেটরশিং অমসুং বেট্টরিশিং য়াওনা তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিংগী মমলশিং ওথোরিটিশিংনা লেপথোকখ্রে।

# ম্যানমারগী রাখিনেদা লালহৌবশিংনা হিন্দু ৭ হাৎখ্রে, স্কুল ৪০০ হেন্না থোঙ লোনখ্রে



য়াঙ্গোন, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী) :
অরাকান রোহিংয়া সালভেসন আর্মি (অর্সা) গী টেররিষ্টশিংনা মখা তানা এটেক কয়া চথবদগী ম্যানমারগী অৱাংথংবা রাখিনে ষ্টেটকী টাউন অহুমদা পূন্না স্কুল ৪১৮ থোঙ লোনখ্রে অমসুং এটেকশিং অদুদা য়ামদ্রবদা হিন্দু তরেৎ হাৎখ্রে হায়না নিংথৌকাবা নুমিৎতা মীদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখি।

থোঙ লোনখিবা স্কুলশিংদুগী মনুংদা স্কুল ১৮৩ দি মুংটো টাউনদনি, স্কুল ২১৭ না বুথিদোং টাউনদা অমসুং স্কুল ২৩ না য়াখেদোং টাউনদা ওইখি হায়না সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সীনা লোকেল মীদিয়া পল্লদুনা হায়খি।

জুন থাদগী হৌখিবা একাদেমিক চহী অসিদা মুংটো ডিষ্ট্রিক্টতা মহৈরোয় ৮০,০০০ হেন্না মিং চনখি।

হৌখিবা ওগষ্ট ২৫ দা কা হেনবা চৎপা টেররিষ্টশিংনা নোরদর্ন রাখিনেদা লৈবা পুলিস আউটপোষ্ট ৩০ দা এটেক তৌখি।

রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না, ওগষ্ট ২৫ দগী ৩১ ফাওবদা টেররিষ্টশিংনা এটেক ৫২ হেন্না চথদুনা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী পর্সনেল ১৩ হাৎখি অমসুং ১৫ না অশোক-অপন নংখি।

চৈরকসিদা, এটেকশিং অদুদগী মথ্বায় হিংনবা চেল্লিবা মীচম ১৪ টেররিষ্টশিংদুনা হাৎখি। মখোয়গী মনুংদা হিন্দু তরেৎ অমসুং দাইংনেট কাঙলুপকী মীওই মঙা য়াওখি। মুংটোগী খুঙ্গংশিংদা লৈবা য়ূম ২,৬২৫ হেনবসু টেররিষ্টশিংদুনা মৈ থাখি।

অর্সানা অকি-অখঙ পোকহল্লিঙৈ মরক্তুদা খুঞ্জা ১১,৭২০ শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে হায়না মিলিটরিনা ফোঙদোকখ্রে।

# শোইনাইরবা লানগী ভেটরনশিংনা ইমুং পুনবা শিনফম অমমম পায়নরি

কাবুল, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী) :
রোকেট প্রোপেল গ্রেনেদ অমা পোকখায়বদগী মখোঙ ককশ্ববা মশাগী চহী ২৮ শুরবা লেফটিনেন্ট মেহরুল্লাহ সাফিনা হৌজিক লম্বীদা মোবাইল ফোনগী কার্দশিং য়োল্লগা খাংলি। অসিগুম্বা অসি অফঘানিষ্টানগী চহী ১৬ কী লান অদুনা থোকহনবা তোয়না উন-তানবা ৱারী অমসুং শক্তমশিংনি হায়রি।



অফঘান লাম্মী মেহরুল্লাহ সাফিগী মিলিটরিগী থবক হৌখিবা চহীদা হেলমন্দ প্রোভিন্সতা রোকেট প্রোপেল গ্রেনেদ অমা মহাক্কী হেক নাকলদা পোকখায়খিবদা মহাক্কী য়েৎথংবা মখোঙ ককখিবগা লোয়ননা লোইশিনখি। হৌজিক মহাক লম্বীদা মোবাইল ফোন কার্দশিং য়োল্লগা লৈরি।

কুমজা ২০০১ দা য়ু এসনা লূচিংদুনা চঙশিনখিবা মিলিটরি কেম্পেইন অমনা টালিবান লৈঙাক চিংথুখিবদগী হৌখিবা চহী ১৬ অসিদা অফঘান লাম্মী লীশিং কয়া মশা শোইনাইহনখ্রে। লৈবাক অসিগী লমদম পুম্নমক্কী সিটিগী লম্বীশিং অমসুং কৈথেলশিংনা লান অদুনা মীওইবগী পুন্সিদা করি থোকহনবগে হায়বদু শেংনা উহল্লি হায়রি। 'মদু ঐহাক্কী পুন্সিগী খ্বাইদগী ফৎতবা নুমিৎ হায়বদু ওইখি' হায়না হান্নগী আর্মি লেফটিনেন্ট সাফিনা হায়খি।

'ঐখোয়বু টালিবান দজন কয়ানা কোইশিনখি, লানসু কন্না শোক্লখি। হোস্পিটালদা পুদ্রিফাওবদি ঐহাক নুমিৎ নীনি ফৎত্রবা ফিভম অমদা লৈখি।' ওই থংবা মখোঙ অমসুং মখূৎ অমসু ফিভম থীনা শোক্লবা সাফিগী য়েৎ থংবা মখোঙ অদু লানফমদা ককখি। ফিভম থীনা শোক্লবা ওই থংবা খোঙদা ওপরেসন নিপান পাঙথোকপদা মায় পাকখিদ্রবা মতুংদা মাপনশুবা ওপরেসননা খোঙ নাম্মদু নিংথিনা শীজিন্নবা য়ারগনি হায়না মহাক্লা থাজরি।

সাফিনা হায়রি মদুদি মহাক্লা শোইনাইখিবা মতমদা অফঘানি ১৮৪০০০ (পাউন্দ ২,০৮১) কী শেনফম অমা গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী পীবা অমুক্কী খুপী ওইনা মহাক্লা ফংখি। মদুদা নৎতনা মহাক থা খূদিংগী অফঘানি ১০,৫০০ (পাউন্দ ১১৯) সু ফংই।

চৎপা ঙমদবনা মহাক লৈবাক অদুগী নোংপোক থংবা সিটি জলালাবাদতা লৈবা কৈথেল অমগী বুথ অমদা ফম্লি অমসুং মোবাইল ফোনগী রিচার্জ কার্দশিং য়োল্লগা থা খূদিংগী অফঘানি ৫০০০ দগী ৮০০০ ফাওবা (পাউন্দ ৫৬-৯০) তান্দুনা থাগী পেন্সননা শিনবদা কোন্নদবা ইমুংগী অৱাৎ-অপাশিং মেন্নরি।

ঐহাক্কী ইমুং থাক্নবা ঐহাক্না অপিকপা বিজনেস অমা শাগৎখি তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি ম্যুনিসিপাল ৱার্করশিংনা কৈথেলদা ঐঙোন্দা হরাশমেন্ট পীরে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। 'ইমুংগী খুদোংচাদবা অমসুং অৱা-অনাশিংগীসু ঐঙোন্দা ইরাল শীরি।'

গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগীদি চহী খূদিংগী লাম্মী লীশিং কয়া শিহল্লিবা অমসুং শোকহল্লিবা লালহৌবগী ঈরাং লেপ্তুনা থেংনবগা লোয়ননা অঙম্বী থাক্তা তৌফম থোকপশিং তৌরি অমসুং চহী কয়া লিশাং শিংনা শোক্নরকখিবা লাননা মাঙহন-তাকহল্লবা লৈবাক অদুগী শেল-থুমগী ফিভম নৌনা ফগৎহন্নবা হোৎনরি হায়না ফোঙদোক্লি।

অহানবা ওইনা অশোক-অপন নংখিবদা ঐহাক্কী ইমুংনা ঐহাকপু আর্মিগী থবক থাদোকহন্নবা হোৎনখি, তৌইগুম্বসুং ঐহাক্না য়াখিদে হায়না মখা তানা অশোক-অপন কয়া নংলবা মতুংদা লাম্মী ওইবা তোক্লগা টেক্সি ড্রাইভর অমা ওইদুনা ইমুং পুনবা হোৎনরিবা হয়াতুলাহ সাহর কৌবা অমনা হায়খি।

# ভেনিজ্যুএলাগী লীদর নিকোলাস মাদুরো জিনিভাদা হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলগী মীফমদা ৱা ঙাংলরোই

জিনিভা, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী) :
ভেনিজ্যুএলাগী প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরো মথং চয়োলদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিল (ঐচ আর সী) গী মীফমদা ৱা ঙাংলরোই হায়না য়ু এনগী স্পোক্সমেন অমনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মরম অমৎতা পীদবীদা ফোঙদোকখ্রে।

ঐচ আর সীগী সেক্রেটরিয়েটনা ফংবা পাউগী মতুংইন্না, ভেনিজ্যুএলাগী প্রসিদেন্ট মাদুরোনা হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলদা ৱা ঙাংলরোই। মহাক্কী মহুৎতা (ফোরন) মিনিষ্টর অরিজা মোন্টমেরাটনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা সেসন হৌবদা কাউন্সিলদা ৱা ঙাংগনি হায়না কাউন্সিলগী স্পোক্সমেন রোলান্দো গোমেজনা ঈমেল অমদা হায়খি।



কাউন্সিলগী সেসনদা মাদুরোনা ৱা ঙাংনবগী থৌরাং অদুবু রাইটস এক্টিভিষ্টশিংনা কন্দেম তৌখি। মহাকপু মহাক্কী লৈবাক্তা ওপোজিসন কাঙবুশিং ফা পুনবা য়াওনা ডিমোক্রেসি মুখৎনবা হোৎনবগী মরাল শীখি।

মাদুরোনা সেসন অদুদা ৱা ঙাংবগী থৌরাং কেন্সেল তৌদ্রিঙৈ ঙাইহাক্কী মমাঙদা হ্যুমেন রাইটস ৱাটচকী ইগজেক্যুটিভ ডিরেক্টর কেন রোথনা হায়খি মদুদি, প্রসিদেন্ট মাদুরোনা য়ু এনদা লাক্তুনা হ্যুমেন রাইটসকী মরমদা ৱা ঙাংবগী আইদিয়া অসি নোক্নিঙাই ওই।

রোথনা মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, য়ু এনগী টোপ হ্যুমেন রাইটস বোদি অদুবু হৈনদবা পোক-হন্দনবগীদমক্তা কাউন্সিলগী মেম্বরশিংনা মাদুরোবু ফোংনা চৈ থাংবগী তঙাইফদবা লৈ।

হৌখিবা কুমজা ২০১৬ গী নভেম্বরদা মাদুরোনা কাউন্সিলগী মীফমদা ৱা ঙাংখিবদা পাক-শন্না কন্দেম তৌনখি।

মালেমগী পাৱরশিংনা মাদুরোবু ওপোজিসননা প্রেসর পীরকপা ঙমদনবা ষ্টেট ইনষ্টিট্যুসনশিং পায়শিল্লি হায়না মরাল শীরি। হৌজিক লৈবাক অসিদা শেল-থুমগী ক্রাইসিস থোক্তুনা চীঙ্গাক অমসুং হিদাক-লাংথক ৱাৎপগী প্রোব্লেম লৈরিবনি।

'লৈবাক অদুদা ডিমোক্রেসি হিংবা ৱানা থোকই' হায়না য়ু এন রাইটসকী চীফ জৈইদ রাদ অল হুশৈইননা হৌখিবা চয়োলদা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

# কেনিয়াগী অনৌবা প্রসিদেন্ট মীখলগী মতম লেপখ্রে

নাইরোবি, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী) :
হৌখিবা চয়োলগী ইরাই নুমিৎতা সুপ্রিম কোর্টনা ডিরেক্টিভ অমা পীখিবা মতুংদা লাক্লিবা ওক্টোবর ১৭ তা প্রসিদেন্টকী মীখল অমুক হন্না পাঙথোক্লগনি হায়না কেনিয়াগী ইলেক্টরেল বোদিনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।



ইন্দিপেন্দেন্ট ইলেক্টরেল এন্দ বাউন্দরিজ কম্মিসন (আই ঈ বি সী) গী চ্যেরমেন ৱাফুলা চেবুকাটিনা হায়খি, সুপ্রিম কোর্টনা হৌখিবা ওগষ্ট ৮ দা পাঙথোকখিবা প্রসিদেন্টকী মীখলগী রিজল্টশিং চৎনহনখিদবগা লোয়ননা মীখল হন্নবা ওর্দর তৌখিবদগী পাঙথোক্কদৌরিবা অনৌবা মীখল অদুদা অনৌবা নোমিনেসনশিং লৈররোই।

চেবুকাটিগী ৱারোল পল্লদুনা সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সীনা ফোঙদোকখি মদুদি, ওপোজিসন লীদর রাইলা ওদিঙাগা লোয়ননা মহাক্কী রন্নিং মেট কালোঞ্জো অমসুং প্রসিদেন্ট উহুরু কেনয়াটাগা লোয়ননা মহাক্কী রন্নিং মেট ৱিলিয়ম রুটোনা মীখলসিগী কেন্দিদেটশিং ওইগনি।

অনৌবা মীখল অসিগী ওপরেসন অমসুং প্রসিজরশিং কম্মিসন অসিনা রিভাইজ তৌরি অমসুং য়াম্না থুনা মরী লৈনবশিংদা অকুপ্পশিং খঙহল্লগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

কম্মিসননা মীখল ইং-চিক্না, ফজবা অমসুং থাজনিঙাই ওইবা মওংদা পাঙথোক্নবা হোৎনরিবসিদা ষ্টেকহোল্ডরশিংগী মরক্তা অখাং কন্না অমসুং ৱাখল তানবগী ফিভমদা লৈনবা অপীল তৌরি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

প্রসিদেন্ট কেনয়াটানা অমুক হন্না মায় পাকখিবা হৌখিবা থাগী মীখল অদুদা অরান-অহুইগী থৌদৌ কয়া থেংনরে হায়রদুনা নুমিৎ ৬০ নিগী মনুংদা অনৌবা মীখল অমা পাঙথোক্লবা সুপ্রিম কোর্টতা সেপ্টেম্বর অমদা ওর্দর তৌখি।

প্রসিদেন্টকী মীখল অদু কনষ্টিট্যুসনগী চৎন-পথাপশিং ঙাক্লা পাঙথোকখিদবনা মীখলগী রিজল্টশিং চৎনবা য়ারোই হায়না সুপ্রিম কোর্টনা মসিগী রুলিংদা হায়খি। কেনয়াটানা মায় পাকখিবদু অচুম্বা মীখলগী থৌওংদা ওইখিদে হায়না কোর্ট অসিনা হায়খি।

সুপ্রিম কোর্টকী জজ তরুক্কী বেঞ্চকী মনুংদগী জজ মরিনা নেশ্নেল সুপর এলাইঅন্স (নাসা) পার্টিগী ওদিঙাবু শৌগৎতুনা রুলিং পীখি। পার্টি অসিনা মীখলগী রিজল্টশিং শীংনরদুনা এপেক্স কোর্ট অসিদা পিটিসন অমা ফাইল তৌখিবনি।

# রশিয়ানা য়ু এসকী ডিপ্লোমেটিক ষ্টাফ অমুকসু ১৫৫ ফাওবা হন্থহনবা য়াই : ৱ্লাদিমির পুটিন

ফুজিয়ন, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী) :
ৱাশিংটন অমসুং মোস্কোগী মরক্তা ডিপ্লোমেটিক্কী মুক্নবা লেপ্পন্দবগী থৌওং অমদা রশিয়ন প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা মহাক্কী লৈবাক্তগী য়ু এসকী ডিপ্লোমেটিক পর্সনেল ১৫৫ ফাওবা অমুকসু মখা তানা তাম্থোকপা য়াই হায়না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা কিহনখ্রে।

মোস্কোদা অমেরিকন ডিপ্লোমেট কয়াম লৈগদগে হায়বগী মতাংদা ৱারেপ অমা লৌবগী হক ঐখোয়দা লৈ। তৌইগুম্বসুং মদু ঐখোয়না হৌজিকমক্তি তৌখিরোই হায়না সাউদর্ন চাইনাদা ব্রিক্স লৈবাকশিংগী সম্মিট অমা লোইরবা মতুংদা পুটিননা প্রেস কনফরেন্স অমদা হায়খি।

মোস্কোনা মমাঙদা য়ু এসতা লৈবাক অসিগী ডিপ্লোমেটিক ষ্টাফ সেপ্টেম্বর ১ ফাওবগী মনুংদা ৫৪৪ দা হন্থনবা ওর্দর তৌখি। মশিং অসি য়ু এসতা লৈরিবা রশিয়াগী ডিপ্লোমেটিক ষ্টাফকা মান্নে।

অদুম ওইনমক মশিং অদুদা ন্যু য়োর্কতা রশিয়াগী য়ু এনদা লৈরিবা ডিপ্লোমেটিক মিসনদা থবক তৌরিবা মীওই ১৫৫ য়াওরি হায়না পুটিননা ফোঙদোকখি। মহাক্কী ৱাফম অসিনা মহাক্কী লৈবাক্না য়ু এসকী ডিপ্লোমেটশিংগী মশিং মখা তানা ককথদুনা ৩০০ দা হন্থহনবা য়াই হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি।

থাংজ নুমিৎতা য়ু এসনা রশিয়াবু সান ফ্রান্সিস্কোদা লৈবা মসিগী কোন্সুলেট অমসুং ন্যু য়োর্ক অমসুং ৱাশিংটনদা লৈরিবা ডিপ্লোমেটিক বিল্ডিং অনী নমদুনা থাদোকহনখি। মতম শাংলবা মুক্নবগী ফিভম অদুদা মদুনা খ্বাইদগী নৌবা খোঙথাংনি।

মোস্কোগী ডিপ্লোমেটিক প্রেমিসিজশিং থীংজিনখিবদুগী মতাংদা য়ু এসনা অমুক হন্না ৱাখল তৌগদবনি হায়না রশিয়ানা নোংমাইজিং নুমিৎতা ডিমান্দ তৌখি অমসুং লৈবাক অনীগী মরী ফৎলকখিদবসি ৱাশিংটননা হৌরকখিবনি হায়খি।

# হরিকেন হার্ভিনা শিহনখিবা মী মশিং ৬০ হেনখ্রে

*হাউষ্টন, সেপ্টেম্বর ০৫ (এজেন্সী) :*
*ট্রোপিকেল নোংলৈ নুংশিৎ হার্ভিগা মরী লৈননা টেক্সাসকী হাউষ্টন সিটিদা মীওই ৬০ হেন্না শিখ্রে নৎত্রগা শিরল্লগনি হায়বগী অকিবা লৈ হায়না লোকেল ওফিসলশিংনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।*

*নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা থোকহনবা শাথীরবা ঈচাউদা শিখিবা মীশিশিং কনফার্ম তৌনবা মেদিকেল ইগজামিনরশিংনা কন্না হোৎনরি। হেরিস কাউন্টি ইনষ্টিট্যুট ওফ ফোরেন্সিক সাইন্সেসনা নোংলৈ নুংশিৎ অদুদা মীওই ২৯ শিবগী পাউ হৌখিবা নুমিৎতা কনফার্ম তৌখি। মীশি অমখক নৎতনা অতৈ পূম্বা ইরাক্লদুনা শিখিবনি।*

*শিখিবশিংদুগী মনুংদা ইষ্ট হাউষ্টনদা ঈচাউগী ঈশিংনা ভেন অমা চেন্থখিবদগী থীবা খঙখিদবা ইমুং অমগী মীওই তরুক য়াওই হায়না সিনহুৱানা ফোঙদোকখি।*

*হার্ভিগা মরী লৈনবা ঈচাউনা মরম ওইদুনা গল্ফ কোষ্টকী মনাক্তা লৈবা গালভেষ্টন কাউন্টিদা য়ামদ্রবদা মীওই ৬ শিখি। নিংথৌকাবদা য়ু এসকী লেবর ডে তারবসু হাউষ্টনগী মীয়াম ঈচাউনা ময়ূম-মকৈ লৈহন্দ্রবা মীওই লীশিং কয়াদা মতেং পাংবদা মথৌ চিন্নখি।*

SARASWATI COACHING INSTITUTE
Chingmeirong Khongnang Ani Karak, Imphal
ADMISSION OPEN
CLASS XII SCIENCE FOUNDATION COURSE
(3RD BATCH) - 2017
Starting of Class : 11th September, 2017
Special Features :
1) Supply of exam oriented Study Material.
2) No. of Seats : 30 only
Class Timing : 4:30 p.m. to 7:30 p.m.
*Van Service Available*
Managing Director
We nourish your future
HL-P/2136/19 Aug. to 16 Sept. (Alt.)